ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯱꯲, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯵꯵ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, দিসেম্বর ১২, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ২৫৫শুবা মশীং

# কেবিনেট মীফম

## মনুং মপান ফাওনা থবক তৌই হায়বগী মতিক চাবা খুদম পীহন্নিংই

মণিপুরগী চীংগী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরসশিংদা চীফ মিনিষ্টর অমসুং কেবিনেট মিনিষ্টরশিং চৎতুনা কেবিনেট মীফম পাঙথোকপসি লৈখিদ্রবা রিশাং কৈশিংনা চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা ইহান হান্না হৌদোক্লমখিবনি। অদুবু চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা কেবিনেট মীফম ফম্বা অসি ইকুই কুইনদি চত্থখিদে। মহাক্না চীফ মিনিষ্টর ওইখিদ্রবা মতুংদা লৈখিবা লৈঙাক্কী মতমদা চীংগী দিষ্ট্রিক্ট অমত্তদা কেবিনেট মীফম পাঙথোকখিদ্রে। অদুবু বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লাকখিবদগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী লীচিং মখাদা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা কেবিনেট মীফম পাঙথোকপগা লোয়ননা লৈঙাক্না চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংশিংগী থবক কয়া য়াম্না খুম্মাং চাউশিন্না পায়খৎলিবগে অমদি মীয়ামদা কান্নবা ফংহনগদবা স্কিমশিং মপুং ফানা পায়খৎলিব্রা হায়বদু য়েংশিন্দুনা লাক্লি। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিগী খোঙথাং অসিনা চীং অমসুং তমগী মরক্তা লৈনরম্বা মরী অদু হেন্না চেৎশিনহন্নবগী অচৌবা মরম অমসু ওইবদা নত্তনা লৈঙাক অসিনা পায়খৎপা থবক থৌরমশিং মীয়াম খঙনা মনুং মপান ফাওনা থবক তৌরি হায়না লৈঙাক্লোয়শিংনা ফোঙদোক্লিবনি। হৌখিবা মতমশিংদা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা পাঙথোকখিবা কেবিনেট মীফমশিংদা মিনিষ্টর শুনা য়াওদবগী মতৌ উখ্রে। মতম অদুদদি লৈঙাক পায়মিন্নরিবশিংগী মরক্তা মুক্নবগী মতৌ অমা উবা ফংখি। অদুবু হৌজিক্তি মতৌ অদুসু লৈত্রে। হৌখিবা দিসেম্বর ৯দা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরসতা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকখিবা কেবিনেট মীফমদা মিনিষ্টর পুম্নমক শরুক য়াখি। মীফম অদুদা মাঙজৌননা লিষ্টেদ তৌরবা তোঙান-তোঙানবা এজেন্দা ৩৩ খন্নখি। মসিগীসু মথক্তা অন-লিষ্টেদ এজেন্দা কয়াসু খন্নখি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসি হেক লাকপদগী লৈঙাক অসিগী মতমদা ইহান হানবা ওইনা কুমজা ২০১৭কী জুলাই ১৪দা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা কেবিনেট মীফম পাঙথোকখি। মসিগী মতুংদা তমেংলোং, চান্দেল, উখ্রুল, কাংপোকপী অমসুং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতসু কেবিনেট মীফমশিং পাঙথোকখি। মসিগীসু মথক্তা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতসু কেবিনেট মীফম পাঙথোকখিবা লৈখ্রে। হন্দক অমুক লৈঙাক অসিনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা কেবিনেট মীফম পাঙথোকখিবা অসি অনীরকশুবনি। কেবিনেট মীফম অদুদা তোঙান-তোঙানবা এজেন্দা কয়ামরুম খন্নবগা লোয়ননা মীফম অদুনা এজেন্দা কয়া অমদি অয়াবা পীখ্রে। কেবিনেট মীফম্না অয়াবা পীখিবা এজেন্দাশিংগী মনুংদা দি মণিপুর ওফিসল লেংগ্বেজ এক্ট, ১৯৭৯ শেমদোক্লনবা লাক্কদবা এসেম্বলী সেসন্দা এমেন্দমেন্ট বিল অমা পুথোকপা হায়বা ৱাফমসু য়াওখি। অসিগুম্লবা মরুওইবা ৱাফম কয়া অমা কেবিনেট মীফম অসিদা ৱারেপ লৌখি। অদুমকপু কেবিনেট মীফম অসিদা করি করি ৱারেপ লৌখিবগে হায়বদুদি লৈঙাক্কী ৱাঙাংলোয় নৎত্রগা মরী লৈনবা অমত্তনা ওফিসল ওইনা ফোঙদোকখিবা লৈতে। সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পি লৈঙাক অসিগী য়ুনিয়ন কেবিনেট ফম্বা খূদিংগী করি করি ৱারেপ লৌখিবগে হায়বদু মীয়াম খঙনা লাউথোক্লি। য়ুনিয়ন কেবিনেট মীফম ফম্বা লোইরবা তুংদা য়ুনিয়ন ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মিনিষ্টর নৎত্রগা লৈঙাক্কী ৱাঙাংলোয় অমনা মীফম অদুদা করি করি ৱারেপশিং লৌখিবগে হায়বদু মীয়াম খঙনা লাউথোক্লিবনি। অদুবু মণিপুরদদি ষ্টেট কেবিনেট মীফম্না করি করি ৱারেপ লৌখিবগে হায়বসি ওফিসল ওইনা মীয়াম খঙনা লাউথোকপগী চৎনবী অসি লৈতবগা চপ মান্নরি। বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসি লাকপা নৌরিঙৈদদি লৈঙাক্কী ৱাঙাংলোয়শিংনা কেবিনেট মীফমদা করি করি ৱারেপ লৌখিবগে হায়বসি খরা খজিক ফোঙদোক্লম্বা লৈখি। অদুবু হৌজিক্তি কেবিনেট মীফমদা করি করি ৱারেপ লৌখিবগে অমদি করি করি এজেন্দাশিং খন্নখিবগে হায়বদু মীয়াম খঙনা লাউথোকপা তৌদ্রে। থৌওং অসিমক্না লৈঙাক্না থবক খূদিংমক মনুং মপান ফাওনা তৌরি হায়রিবসি কদায় ফাওবা চুল্লিবগে হায়বসি ৱাহং অমা ওইরক্লি। কেবিনেট মীফমদা লৌখিবা ৱারেপ হায়বসি অদুক্কী মতিক মরুওইরিবনি। মরম অসিনা কেবিনেট মীফমদা লৌরিবা ৱারেপশিং অমদি খন্নরিবা এজেন্দাশিং অদু মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহন্দুনা লৈঙাক অসিনা মনুং মপান ফাওনা থবক তৌই হায়বগী মতিক চাবা খুদম পীহন্নিংই।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### ভোটকী টিকেট, পূম্নমক্কী মরাইবক

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

মণিপুরগী ভোটকী মতম খরা-খরা নকশিল্লক্লে। লৈবাক্কী, মীয়ামগী অমসুং পূম্নমক্কী মরাইবক চহী মঙানা ইরায় লায়না লোইহনগুমসি। ঐখোয় মীওইবসি শীংই হায়গদরা পংই হায়গদরা ভোটকী মতমদা অমগা-অমগা নুংশিনদনবা শীনবা ওইনা উই। টিকেট পীবিরিবা নুংশিজরবা মরী লৈনবা ইচিন ইনাওশিংনসু ভোট লেপকদৌরিবা মীওই অদু করম্বা মীওইনো হায়বদু মুন্না খন্থরগা টিকেট পীহন্নীংই। ভোট লেপকদৌরিবা মখোয়ননি পূম্নমক্কী চহী মঙাগী মরাইবক লেপকদৌরিবসি। মীয়াম পূম্নমক্লসু ৱাখল তামিন্নরগা ঐগী-ঐগী শাগৈগী, লৈকায়গী, খুলগী, ফুরুপকী, লাইনীংগী থিনদনা মুন্না খন্থমিন্নরগা থম্মোয় শেংবা, পূক্নিং ৱাখল শেংবা, পূম্নমক কৎথোক্লবা কেন্দিদেটতা অমত্তা ওইনা পুল্লপ শৌগৎমিন্নদুনা য়াম্না নুংঙাইরবা খুন্নাই অমা ওইহল্লসি। ৱাহৈ খরদা, শেল খরদা, অরং-অরাক খরদা, হকচাং শোক্লিংঙাই ওইরবা ফৎত্রবা ময়াই কাবা চিঙ্গাক্তা অমসুং থবক খরা পীদুনা ফত্তবা মায়কৈদা হুমদুনা পুখিবা য়াবগী লম্বীদগী নাথৈনবা হোৎনরসি। ঐখোয় পূম্নমক মীৎ-মায় পাংদুনা মুন্না ৱাখল খন্থমিন্নরসি। ঐদি মীয়ামদা হায়জবনি, তৌগদবা থবক ময়াম ঐখোয় পূন্না তাথোক-তাশিন তৌনরগা মালেমগী লৈবাক পূম্নমক্কী মমাঙদা ফজরবা মণিপুর অমা ওইহল্লসি। থবক ওইনা ফজনা পাঙথোকমিন্নরসি। পূম্নমকপু খুরুজরি।

*অদোমগী - সলাম সঞ্জোয়, নিংথৌখোং*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭

১) কলকত্তা য়ুনিভর্সিটিদা মণিপুরী লোলবু মেত্রিকুলেসন পরিক্ষাগীদমক অহানবা শকখঙবা মতমদুদা কনানা ইবা করি লাইরিকপু তম্ন-লাইরিক ওইখিবগে?

২) জোনষ্টোন স্কুলনা হায়স্কুলগী থাক্তা অপগ্রেদ তৌখিবসি করম্বা চহীদনো?

৩) “ইনুংশোয়গী ঙাচিং” হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা করি লোলদা ইবা করি লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

৪) “অরায়বা ৱারেং লাইরিক” হায়বসি কনানা করম্বা মীওই কাঙলূপকী করিগীদমক ইবনো?

৫) চহী ৫৩গী মমাঙদা অহানবা ওইনা ফোঙখিবা উপন্যাসকী মমিংনি “লৈপুন”, অইবাঅসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ভুৎসে অমুক্তা লোইশিনবীরোদনা

## ৱাইরু-ৱাইরুবদা



ঐনা অঙাং ওইরিঙৈ নপকা জুরা-জুরা নাতোন্দগী নান্থরিঙৈগী ৱারীনি। চহী মঙা/তরা মমাঙগী ৱারী নত্তে, চহী নিফুমঙা/য়াঙ্খেরোমগী ৱারীনি।

ঐখোয়গী লৈকায়মক্তদনি। হায়রিবা থৌদোক অসি। নুমিদাং খুদিং ভুৎ থোকই হায়দুনা মাইক পান্দুনা লাউনবা মতমনি। নুমিদাং য়ৌরকপদা ইবোক্না লাই খূৎশাংবীগী লীবীবা ৱারী তারুরগা মপা-মপা চানখিদুনা কিবগী থবকসি মথোই হাপ্পী। লাই খূৎশাংবীনা মখূৎ অদু শাংদ্রোং শাংলদুনা মীগী ফক্লাং অদু হোগাইরগা ইমুংদা মখূৎ মশা অদুনা কোয়রৈ লৈদুনা কোয়ওৎ ওত্তুনা মারগা অঙাং মচা পোকপা কুইদ্রিবা, চহী য়ামদ্রিবা নৌরিবা ময়াম অদু ফক্লাং অহোবদা চিংথোক্লগা য়ুমগী দারিদা ফম্লগা ঈহিং থকপা, নৌ-নৌ লাউবা পাম্বোমশিং অদু অচৌবা ময়াদুনা চীংথৎ-চীংথৎলগা শেৎল-শেৎলগা চাবদা মখয়াৎকা ঈঙাং ঙাংলমগদবা শক্তম অদু মীৎতা শং-শং উই। নুমিদাং য়ৌরগনা হেল্লি লাই খূৎশাংবী কিজবসি। ঐখোয়গী লৈকায়দা থোকই হায়দুনা হায়নরিবা ভুৎ অদু মশক্তনি উদবা লাই খূৎশাংবীগা চপ মান্ননা কিদবা ঙমদে।

ঐনা অঙাং ওইরিঙৈদা কিরকপা অসি মীগী শরূ শয়াংগা, য়োং হায়বা মী মানবা শা অসিগনি। ভুৎ হায়বা অদুদি হান্না কিজদুনা লৈরে। ডোক্টর তম্বা লৈকায় ইয়াম্বা অমনা স্কূল অমা মানা নৈননবা পুরকপা অদু ঐনা য়াম্না কিজখি। অদুবু হৌজিক্তি স্কূল অসি করিগীনো কিয়ু হায়বা য়াখিদ্রে। লৈকায়গী অহল অমনা য়োং অমা য়োকই। মদু নাম্থোক্লগা হৈনৌ অমদা কাখৎতুনা লৈখ্রে। মানা হৈনৌদগী কূমথরগা নুমিৎ খুদিংগী অঙাংশিংদা তান্নে, ঐসু য়োংনা কোয়তান তাল্লকপদা চেনবা কয়ানি। য়োং উবা শুকয়া য়াদে। অদুবু হৌজিক্তি ঐ মহৌশা মতৌগুম্না য়োং উবদা মিহুল চেনখৎপগী মতৌ অদো অদুক হাক্লা লৈত্রে। য়োং হায়বসি য়াম্না মথোঙ হুক্তবা, য়াম্না নাতে চাদবা শা মখল অমনি। অদুনা ঐ য়োং অসি মতম পূম্বদা চেকশিন্না লোয়বুদি লোয়নজে। য়োংগী মরমদা খঙবা হৌরক্লবদি য়োংবু কিবা ফৈ।

ঐগী অঙাং ওইরিঙৈদা থোকখিবা ভুৎ অদুনা অঙাং-নুবী, নহা, পাখং-লৈশাবী, মৌ অনৌবী য়াম্না পাম্মী হায়। ভুৎ অদু নুপীসু তরেৎ লোল্লি হায়। মঙোন্দা হেক খৎনবা হৌবা, য়ানদবা মাগী নুপী অদু হেক্তা চাথোকই হায়। চাথোক্লবা মতুংদা নুপী তরেৎ শুনবা নুপী অমা অমুক থি হায়নসু হায়নৈ। অয়ূক-নুংথিলদা উক্রোং অহোবদা নৎত্রগা লৈকু-লৈরাইদা লোৎলি হায়। মাগী নুপী অঙাংগা পাক্লা লোয়নদে হায়। মীগী মঙফমসু খোৎলগা চায় হায়। অদুগা মানা চাবা ঙমদবা শরুক অদুনা লম্বীদা চৎপা মীদা ইল্লিকাসু হায়।

নুমিদাং অমদি নুংথিল তাল্লক্তা ঐদগী চিংনা মপান থোক্তে। তুরেল খোংবালগী হম্বু মরক্তা লোৎলগা লৈসু হায়নৈ। হারৌগা লিল্লবোপ অপূম্বগদি মানা য়াম্না হাওনা চাই হায়। মানা চাবগী লেম্বা লিল্লবোপ অপূম্বা অদু লৈকায়গী মৌনহা অমদা ফারগা ময়াদা ইল্লকই হায়দুনা মৌনহা অদু লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে হায়নৈ। মৌনহা অমা শিখিবা লৈখি। মদু মানা লিল্লবোপ অপূম্বা ইনবীবদগী কিবা, পাখৎপা অমদি হৈনীংদনা চাশিনখিবা অদুগীনি হায়না কন্নমক ঙাঙনখি।

নোংমদি মণিপুরগী ফাওরবা অফাওবা মাইবা অহৈবা অমা নেক্লগা ভুৎ অদু ফারগা লোইশিন্নবা লৈকায় ৱারেপ তাদুনা ঙাঙনরে। মাইবা বোকুলজাউ নেক্তুনা ভুৎ অদু ফারগা লোইশিন্নবা ঙাঙনরে। মাইবা বোকুলজাউগুম্বা অমগী মফমদদি মাগুম্বা ভুৎনাও অমা ফাদুনা লোইশিনবদি শামুনা ককচেং মচা অমা খোঙপাক্না নেৎখায়রগা লোইশিনবা অদুগুম্বনি হায়না হায়নরে।

মাইবা বোকুলজাউ নুংদাং ভুৎ ফানবা খোংনাংখোঙগী মঙফম তাবা লম্বী অদুদা তাইরেল মসা, মোম্বতি, (খোইরু থাওমৈ), মৈখেৎ, লং অহিংবনচিংবা হৈরম-লৈরম, পোৎলম চৈরম শুনা মশাদা ৱাগী লিরুং তেন পায়দুনা থৌ তৌরগা ঙাইদুনা লৈরে। ঙাইহাক লৈরগা ঈংলবা নিংথম থাগী তাঞ্জা, চাকচা তোকপা মতুং অদুদা মোরে কম্পোর অমনবা অমা ইল্লগা ভুৎ অদু মঙফমলোমদগী শ্রোৎ-শ্রোৎ তৌদুনা লাক্লে। মাইবা বোকুলজাউ হুইশ্যা তৌদুনা লৈরে। ভুৎনা খোংনাং মনাক্তা মনাতোন্না শুৎ-শুৎ নল্লগা ঙাইহাক লেপ্লল্লগা অদুম চৎখ্রে। তাঞ্জা অদুদা মাইবা বোকুলজাউনা তুংলোমদগী হুইস লাউনা চেনশিল্লগা ভুৎকী মখ্বাঙদা কোল্লুবদা ঐ ভুৎনি হায়রকই। অফিং-অফাই ওইনা মাইবনা নাকন্দগী তাইরেল মসা চিংথোক্লগা ফদ্রৎ-ফদ্রৎ (মন্ত্র অমা কাল্লগা) ভুৎকী মনমদা কনবদা ভুৎ অদু লোংখ্রাক লোংনা লৈমায়দা তারগা লৈরে। ফূরিৎখাওদগী মাইবনা মৈখেৎনা ভুৎকী মশাদা ইল্লিবা কম্বল অদুদা চূবা হৌরকপদা লাউ খোংলদুনা ঐ লৈরেনজাও সিংহনি অমুক্তা কনবীয়ু হায়রকই।

নুমিৎ অদুদগী ভুৎ লৈরেনজাউ হায়রিবা নুপা অদু অমুক হন্না লৈকায়দা উখিদ্রে। নুমিৎ অদুদগী লৈকায়গী নুপী অঙাং ময়াম্না অমুক হন্না অকি-তুজুং হায়বা অদু লৈনখিদ্রে। অকি তুজুং ফাওনখিদ্রে শম্না হায়রবদা।

লুরিবদি ভুৎ অদু মাইবা বোকুলজাউনা মখ্বাং থুদেক্তুনা হল্লকহনখিদ্রবা মতুংদসু ভুৎ থোকই হায়দুনা মাইক পান্দুনা লাউরিবা নুপা অদুদি অসুম্মক ভুৎ থোকই, ভুৎ কিবিখো হায়না অদুম লাউদুনা লৈরম্মী। মণিপুরী লোলদা ভুৎ হায়রগা অকি অখং পোকহনবা লাইফত্ত অদুসু খঙনৈ অদুগা মী অপঙবা অদুবুসু ভুৎ হায়না খঙনৈ। অঙকপনি মসি কমদৌনা খঙনখিবনো ৱাখল তাদে। ●

# লাই নীংবা হায়বরা, লাই লাৎপা হায়বরা -৪

**নবকুমার ওইনা**

লাইদা শেল কৎনরমদে, শেনয়েক হায়বসি কোন্না শেম্বনি। শেল চৎনদ্রিঙৈদগী লাইদি নীংনরে। হৈ-লৈ কৎলগদি খুরুম্নবা হৌখিবা কুইরবনি। ইপা-ইপু নৎত্রগা নিংথৌনি হায়রিবা লুচিংবদা কৎপদগী হৌরক্লবনি। হৌজিক্কী লাইশিংসু শেল য়াম্না পাম্বা ওইরক্লি। হৈ-লৈ কৎত্রবসু শেল কৎলগসু য়ারে। শেল খোমজিনবশিংনা তৌনীংবা থবক তৌবা ঙম্মী।

শরোই খাংবদা শেল নিখৎলকইবনি, কত্তবা য়াদে সিনি। শেলদু কনাগী লাইনা ফংই অদুম খঙনবা ৱানি। লাই খূৎনীং অসিনা লৈবাক শেম্বা ঙম্বা হৌনদে। শরোই খাঙবদি ইমুং অমগী নত্তে, লৈবাক্কী থৌরমনি। দিফেন্স দিপার্টমেন্টকী থৌদাং অদুনি। শরোইদি খাঙই, বোর্দরগী পিলরদি শেন্নবা ঙমদ্রে। শরোই খাঙববু লুনা লৌবদি মাল্লগা ফাগি তারকপদি উনরিবনি। মওং মাল্ল-মাল্লগা কোনুংনি হায়রিবসিসু পুমচায় চায়না য়ূম ময়াম শাজিনখ্রবনি, শরোই খাঙফমবু লৈশিল্লক্তরে। লাই হায়বা অমা চঙলক্তনবা ওইনা লৌখ্রে, মীদি থিংবা ঙমজদ্রে। ময়ায়দুদনা লাই অনৌবা ময়াম ঙাম্থোইরি, লাইসু থিংবা লৈতে। শরোই-ঙারোই হায়রিবসি হেঞ্জুনহাগুম্বা নহারোল হাৎপা ঙম্বা দ্রগ ওইনা থেংনবা তারিব্রা? মদুসু শরোই খাংবীশিংনদি থেংনবা ঙমদ্রে। খঙদ্রবদি শরোই খাঙবসু তোকপনা ফরকই, ফাগি তানবা তৌবা হৌনদ্রে। শরোই-ঙারোই হায়বা অমা লৈবা নৎত্রবনি, মী ফত্তবদি লৈরি। চেকশিনগদৌবদি মী, মীতোপ হায়রিবশিংসিনি। মীতোপ চঙলকপা থিংবা ঙমদ্রিবসি শরোই খাংবা লানবগীনি।

লাই হরাওবদা শরোই পংখাংদা খাংই। লমদি মচেৎ মচেৎ পীথোকপা তোক্তে, লাইদি অদুম হরাওরি। লম পীথোকখ্রগা ইপা-ইপুনি হায়রিবশিংদুনা পেনগদ্রা, লাই হরাওরগা কৈদৌননি। মখোয়না কল্লম্বা লম মাঙখ্রগা হরাওগদ্রা? য়ু থকচিল্লগা লাইবুংদা মী হাৎনরগা ইপা-ইপুনা পেন্নবা লাই হরাওরিবনি, শরোই খাংলিবনি।

মীরৈবাক্তা চৎলগা লাই হরাওরুরিবসিবু করিগীনো? ফোরেন দিপ্লোমেসি তৌগদৌবনি হায়বগী মহুৎ লাই লাৎলগা লৈবাক শেম্বা ঙমগদৌরিব্রা। নাৎকী লিলানা লৈবাক কনবা ঙমগদৌরিব্রা? ইরৈবাকসিনা মী খরদা পীথোকখ্রগা কদায়দা লাই হরাওগদৌরি, কদায়দা ইরৈবাক্লি হায়গদৌরি। লাই হরাও-হরাওরগা অসুম-অসুম নোক্লিংলকখিনি, অদুম মুৎখিগনি। লাই হরাওবশিংনা ভোটতা শেল লৌগনি, শেল লৌরিবসি লৈবাক য়োল্লিবনি। লৈরিবশিংনা ওনশিল্লগা মরৈবাক য়োল্লিবশিংদু লাক্ল রক্কনি, সিফাই-পুলিস থাজিল্লগা নৈখায়বা, হাত্তোকপা য়াওরিবসিনি। পুলিসশিংনা চৈরগা-লাউবা, তানশিনবা উরগা-তারগসু খঙগনি, মখোয়সু মীতোপ ’দুম মাল্লক্কনি। লাইসু মীতোপ্না লাৎখিনি।

লৈবাকসিগী লান্মী লৈরম্মী। পুলিস লৈরিবসি মীয়াম অসিনা খৎন-চৈনরকপা, মী মরক্তা হাৎনরকপা থিংনবনি হায়রিবনি। মী মরক্তা খৎন-চৈনবা য়াল্লিবসি লাই ময়াম পুশিন্নরক্লগা লাই কোক ফাইটিং তৌবা মাল্লকপা অসিদগীনি। লাই য়াল্লবদি খৎনরদৌবনি, হাৎনবা য়াওরদৌবনি, লান্দা মী হাৎননবা লাই লাৎনখ্রবনি। লাইগী থৌরম ওইনা চেবাউ চৎপদা লৈরাং লৈনম ওইনা তিনখ্রে হায়বা য়াওরিবসি এটোম ওইনা, কম্পাউন্দ ওইনা নৎত্রগা গ্যাস ওইনা তিনখ্রে হায়রিবনি। জাৎ ওনবগী মওংদা ইবসু লৈ, বেষ ওনবা হায়বসি মমিং অনৌবা পীরগা শিরবসু জাৎ ওন্নরিবনি, শৈরেংগী মওংনি। চৎনবীদা আকার হেঞ্জিল্লম্মী হায়বগী ফাগি ফাওবা তৌনরে।

লৈবাক অমা ওইনবা, নিংথৌগী লুখা থাবা ঙম্বা তান্নবগী ৱাসু লৈ। শিরবসু লুখা থাবগী মওং অমদা তৌনবসিবু লাই লাৎপগীরা? মীনা লুখা থাখ্রগবু ঐগী লৈবাক অমগীনি খন্নবদি লাই নীংবনি হায়বসু য়ারোই, লাই লাৎপীগীনি হায়বসু য়ারোই। ফুরুপ ওইনা মুখৎপগীনি হায়গনি। হৌজিক নোক্লিবসি নোংমদি কপ্পলকখিগনি, কপ্পা তোকপদা মুৎপা লোইরে হায়বা খঙলগনি।

লাই নীংবা, লাই লাৎপা, লাই শোনবা তোক্লদ্রিবমখৈ মী ওইবা ঙল্লরোই, লৈবাক শেম্বা ঙল্লরোই। থাজবা হেনবদগী মশা কনানো হায়বা কাউনরে, মরৈবাক কাউনরে, মথৌ কাউনরে, মমিং কাউনরে। মঙওই-হাওই লাই হায়বা অমা অসুম নীংশিংনদুনা লৈরগা অফবনিদি হায়বা শাজত্তি ওনশিন-ওনশিন চাশিন্নরকপনি, লাইগা শম্নবা নত্তে। কদায়দগী কমদৌনা হৌরকপনো (অহৌবদো), কমদৌনা হিংলকপনো খল্লো, কয়া কুইনা হিংবা ঙমগদৌরি, খল্লো। ৱাখলনা করিনো, পূক্নিংনা করিনো, শাজৎনা করিনো, থবক থৌদানা করিনো খল্লো, লৈবাক করিনা ওইরি খল্লো হায়বনি। ঈশিংসু লাইগুম খল্লু, নুংশিৎসু লাইগুম খল্লু, ফজবা হায়বসিসু লাইগুম্না খল্লু, করি তৌরগা ফজগনি খল্লু, করি ঙাঙলগা ফজগনি, করি চারগা ফজগনি, চাক-এঙ্গাং ফাওবা লাই ওইনা খল্লু হায়বনি। লাৎলগা চারুনু হায়বা নত্তে। লমদমসি লাই ওইনা খল্লু হায়বনি, লাই অমা পুশিল্লকউ হায়বা নত্তে। ইশানা লৈগদৌরিবনি, ইশা কন্নবা চাগদৌরিবনি, অরাপ্পা লাই অমগী খল্লগা নুংঙাইবা য়াগদৌবা লৈতে, লাই হায়বা লৈতে।

লৈপুংদা, উমংদা, নূংদা, উদা শেল কৎলু য়ারক্তবদগী নূংঙৌনা লাইশঙ শারগা লুপা অমমম কৎলু হায়রগা শেল তানবদু হৌজিক্তি লুপা অহুম-অহুম কৎনরে। শেল তানবা য়ানবা ফোর্মুলাদু ঙসিসু শীজিন্নরি, লাইশঙ কয়া লৈঙাক্না শাগৎলক্লি, টুরিজমগা শম্নরক্লি। অরিবা লাইদুনা লাই অমনবা ওইনা লৈহৌরে, লাই অমনবগী লাইফমদু লাই অনৌবগী লাইফম ওন্থোক্লে। টুরিজমদা শিন্নরগা শেল তানবদা পাউ লান্না শন্দোক্কদৌরি। লাই অনৌবদুদি চহী লিশিং ফাবা নৎত্রি (মফমসিদা) খোমজিল্লগা চহী লিশীং অনী শুরে হায়গদৌরিবনি। অখঙবনদি নোক্কদৌরিবনি, মপা মপু ফাওবা য়াওরক্কদৌরিবনি। লাই তোঙান তোঙান থম্নবদগী পুনবা য়ানদ্রিবনি। লাইনৌ লাৎলগা মীনৌশিংনা অরিবা শারগা লৈঙাক পায়রক্লবনি। খরনা শন্দুং ইন্নখ্রবা ষণনাওগুম ময়ূম খঙলরোই। মপা-মমা খঙলরোই, খোংল-খোংল কোয়চেন চেল্লগনি। মসিবু লাই লাৎপগীরা নীংবগীরা?

পূক্নিং হায়বসিনা লাই নুপা ওইরগা লৌশিং হায়বসিনা লাই নুপী ওইরগা পোল্লকপা ৱাখলনা মচা ওইরগা শেম্বা লৈবাক অদুগীদমক লাই লাৎত্রবদি য়ারোই হায়বদি লৈতে। ঐগী-ঐগী পূক্নিং ৱাখল শেংদোক্লবা, শাগৎপবু লাই লাৎপা হায়বনি। ●

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ কেক্রু

**– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –**

**সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ**

ঐখোয়গী লমদম মণিপুরগা শাগোন্নরক্লবা পাম্বীশিংগী মনুংদা কেক্রু পাম্বী অসি থোইদোক্না শীংথানীংঙাই ওই। কেক্রু পাম্বী অসি ইংলিসতা সোপ নট (Soap nut) নৎত্রগা সোপ বেরীজ ত্রী (Soap berries tree) নৎত্রগা চাইনিজ সোপ বেরী (Chinese soap berry) নৎত্রগা ৱাশ নট (Wash nut), বেঙ্গোলিদা রীথা (Reetha), হিন্দিদা রীথা (Reetha) নৎত্রগা অরীথা (Aritha) নৎত্রগা দোদান (Dodan) নৎত্রগা দাওদনি (Daodni) নৎত্রগা দোদা (Doda) নৎত্রগা কানমা (Kanma) নৎত্রগা থালি (Thali), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *সেপিন্দস ম্যুকোরোসী (Sapindus mukorossi L.)* হায়না কৌই অমসুং সেপিন্দেসী (Sapindaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা অতোপ্পা মরু ওইবা পাম্বী খরদি নোঙ্গাংহৈ (Euphoria longana (Lour) Steud), লিচী পাম্বী (Litchi Chinensis (Gaertn) Sonn.), লিচী মানবী (Allophyllus cobbe (L.) Raeuschel) অসিনচিংবনি। পাউদম খরগী মতুংইন্না মালেমদা কেক্রু পাম্বী মখল ১০ ফংঙি। মখোয়শিং অদুদি (১) সেপিন্দস লেলাভায়ী (Sapindus lelavayi) -মখল অসিদি চাইনা অমসুং ইন্দিয়াদা হৌই। (২) সেপিন্দস দ্রুমোন্দি (Sapindus drummondi) মখল অসিনা খা থংবা আমেরিকা অমসুং মেক্সিকোদা হৌই। (৩) সেপিন্দস ইমারজিনেটস (Sapindus emarginatus) মখল অসি খা থংবা এসিয়াগী মফমশিংদা হৌই। (৪) সেপিন্দস মার্জিনেটস (Sapindus marginatus) মখল অসি ফ্লোরিদাগী খা থংবা কেরোলাইনাগী মফমশিংদা হৌই। (৫) সেপিন্দস ম্যুকোরোসী (Sapindus mukorossi) মখল অসি ইন্দিয়া অমসুং খা থংবা চাইনাদা হৌই। (৬) সেপিন্দস ওহুয়েন্সীস (Sapindus Oahuensis) মখল অসি হৱায়গী লমদমদা হৌই। (৭) সেপিন্দস রারাক (Sapindus rarak) মখল অসি খা নোংচুপ এসিয়াগী লমদমশিংদা হৌই। (৮) সেপিন্দস সেপোনারিয়া (Sapindus saponaria) মখল অসি ফ্লোরিদা, কেরিবিয়ান অমসুং ময়ায় থংবা অমেরিকাগী লমদমশিংদা হৌই (৯) সেপিন্দস টোমেন্টোসস (Sapindus tomentosus) মখল অসি চাইনাদা হৌই অমসুং (১০) সেপিন্দস ত্রাইফোলিয়েটস (Sapindus trifoliatus) মখল অসি খা ভারতকী লমদমশিং অমসুং পাকিষ্টান্দা হৌই।

ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা হৌরিবা কেক্রু অসি সেপিন্দস ম্যুকোরোসী অসিনি অদুবু লাইরিকশিং অমসুং পাউদমশিংদা ইরিবা সেপিন্দস ত্রাইফোলিয়েতস অসিদি নত্তে। ঐখোয়গী লমদমগী কেক্রু অসিগী মনা অসি কম্পাউন্দ মখলনি অমসুং অপুনবা মনা অমদা অপিকপা মনা নায়াৎ (Leaflets) জুরা ৫দগী ১০ ফাওবা পাল্লি অদুগা মীয়াম্না লান্না হায়রিবা কেক্রু পাম্বী অসিনা মনা নায়াৎ ৩ খক্তং পাল্লি। ঐখোয়গী লমদমগী কেক্রু পাম্বী অসি চহীগী ওইনা মতম খরা মনা কেনগনবা (Deciduous) অমসুং ফুট ৮০ ফাওবা ৱাংবা উজাও পাম্বীনি। লৈ অসি চন্দোন মচু চঙলপ তৌনা কুপ্পি অমসুং মহৈ অদু খুবিমুক চাউনা মতুম তাই অদুগা মরূ অদু মার্বলমুক চাউই অমসুং য়াম্না কল্লি। মরূ অসিগী মকু অদু য়াম্না কনবা মরম্না য়াম্না লায়না চারা শেম্বদা খুদোংচাহন্দে। অদুবু মকু অদু থোৎতোকহল্লগা চেকশিন্না হাংদোক্লগা চারা শেম্বদি য়াই।

কেক্রু পাম্বী অসি ইন্দিয়াগী মফম কয়ামরুম, ইন্দো-গেঞ্জেতিক্কী হাইগৎলকপা থেলশিং, সিৱালিক্স অমসুং হিমালয়গী চীংখোঙ-চীংয়াশিংদা সমুদ্র ঈমাইদগী মিটর ২০০দগী ১৫০০ ৱাংবা মফমশিংদা ফজনা হৌবগী পাউদমশিং লৈ। অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী অয়াম্বা মফমশিং মরু ওইনা মণিপুর, অসাম, অরুনাচল প্রদেশ অমসুং ত্রিপুরাদা হৌবগী পাউদমশিং লৈ। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি কেক্রু পাম্বী অসি অনেম্বা চীংখোঙ-চীংয়াদা অয়াম্বা হৌগল্লি অদুবু ঙসিদি পাম্বী অসি হৌবা ইউ উশিল্লক্ত্রে।

অমোৎ অকায়শিং শুদোক-চামথোকপা অমদি শেংদোকপদা খ্বাইদগী মরু ওইবা পোৎচাক অমা ওইরিবা সেপোনিন (Saponin) হায়রিবা পোৎশক অসি চাং খ্বাইদগী হেন্না য়াওবা পাম্বীশিংগী মনুংদা কেক্রু হায়রিবা পাম্বী অসি খ্বাইদগী শীংথানৈ। কেক্রুগী শীজিন্নফম অসি মখাগী অসুম্না নৈনবা য়াই:-

(ক) ফি-রোল শূ-চাম্বা : ফি-রোল শূবদা মহৌশাগী ওইবা খ্বাইদগী ফবা পোৎশক অসি কেক্রুনি। খূৎনা নৎত্রগা ৱাশিং মেছিননা ফি-রোল শূবদা কেক্রু মহৈগী মকু খরা হাপ্পদা থোইদোক্না অমোৎপা কোকহনবদা নত্তনা ফি-রোলশিং অদু অমাঙ-অতা অমত্তা থোকহন্দে অমসুং মচু অদুসু থুনা কোকথহন্দে। কেক্রু অসি মখল খুদিংগী ফি-রোলশিং, লংশিং, মুগা, শামতু অমসুং অতোপ্পা মখলশিংদা লোইনা শীজিন্নবা য়াই।

(খ) কোক লুনবা মহী : কেক্রুদগী শেম্বা মহী অসি শম/কোক লুনবা খ্বাইদগী ফবা মহী অমা ওইনা শীংথানৈ। মসিনা শম অদু থোৎহনবদা নত্তনা মপোপ ফনা থম্বা ঙম্মী অমসুং লুপৌ লৌথোকপসু ঙম্মী। হায়রিবা মহী অসি শমদা করিগুম্বা অমাঙ-অতা অমত্তা থোকহন্দে।

(গ) কোল-লিক ফেংবা নৎত্রগা চাম্বা : সনা-লুপা অমদি কোরিগী লৈতেংগী পোৎলমশিং অসি কেক্রুগী মতেংনা য়াম্না লায়না শেংবা য়াই। কেমিকেলনা শেংবদা লৈতেংগী পোৎশিং অদু থুনা তুমশিনহনবদা কেক্রুদদি থোইদোক্না লৈতে অমসুং মতম কুইনা লংদুনা লৈ। কেক্রু অসি চান-থক্লবা শীজিন্নরিবা কোলশিং ফেংবদসু থোইদোক্না মগুন লৈ।

(ঘ) চানবা হৈ-রাদা য়াওবা হূশিং লৌথোকপা : হৌজিক্কী মতমদা ঐখোয়না চানরিবা হৈ-রা অমদি মনা-মশিংশিং অসি মখল-মখা কয়াগী খূৎশেমগী হূশিং য়াওই হায়বসি য়াম্না চুম্লবনি। হায়রিবা চানবা পোৎলমশিং অসি কেক্রুগী মহৈদগী শেম্বা মহী অদুদা মিনট ১০-১৫ রোমদং লুপ্তুনা থম্বদা পোৎশকশিং অদুদা য়াওবা হূশিং অদু শীংথানীংঙাই ওইনা লৌথোকপা ঙম্মী হায়বগী পাউদম লৈ।

(ঙ) তীল-কাং হাৎনবা হীদাক ওইনা : কেক্রু মহৈদগী শেম্বা মহী অদু য়ুমগী অকোয়বদা চাইথোকপদা তীল-কাং অদু শীংথানীংঙাই ওইনা ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়নসু পাউদমলি।

(চ) অনা-লায়েং হীদাক ওইনা : অয়ুর্বেদিক্কী অনা-লায়েংদা কেক্রু মহৈগী মকু অদু তকখায়রগা শেম্বা মলম অদু চাং নাইনা তৈদুনা ইকজেমা (Eczema) হায়রিবা উনশাগী লায়না অসি লায়েংনৈ। য়াম্না কুইরবা মতমদগী কেক্রু অসি শারৈ থুংবা, অঙাং য়ৈথবা, কোক্তগী হীক হাৎপা, মাইগ্রেন হায়রিবা খোইরাই কোক-চীকপা, ওবা অমদি হরা-কংখু তৌবদা হীদাক ওইনা শীজিন্নরকপগী পাউদমশিং লৈ। বিজ্ঞানগী ওইনা থিজিনবদগী খঙবা ঙমখরে মদুদি কেক্রু অসি কেন্সরগী সেলশিং অসি ঙাকথোকপা অমদি থিংবা ঙম্মী হায়না। ঐখোয়গী মণিপুরদদি কেক্রু মরূ অদু নূংদা মরোই-নাপাকপীগা শুগাইদুনা শেম্বা পোৎশক অদুনা লৱাই-লেম্ফুদা থোমদুনা অঙাংগী অরূম-লাইহৌ তৌবদা লায়েংনৈ। ●